# মণিপুরী ঠিএটরগী মশক নাইরবা দিরেক্টর পদ্মশ্রী ৱারেপ্পা নব লৈখিদবদা

- *নানি*



ঙসিদগীনা চহী ৫৮গী মমাঙদগী (১৯৬৫) মণিপুরী ঠিএটরগী মুভমেন্টতা শরুক য়ারকখিবা, মশাগী চহী ৮২ শুখ্রবা লমদম অসিগী তাঙলবা ঠিএটর অমদি কলচরেল এক্টিভিষ্ট ৱারেপ্পা নব, পদ্মশ্রী হৌখিবা জন্যুৱারী ৮গী অঙনবা মতম নোংয়াই মতুং পুং ১২.৩০ তাবা মতমদা তাইবংপান অসি থাদোক্তুনা মপুগী নাক্তা লৈনম ওইনা তীনখ্রে। অঙাং-অহল পুম্নমক ওজা হায়না মিঙ্গৌনবা ঈকায় খুম্নজরবা ওজা ৱারেপ্পা নব, ১৯৪১গী ওক্তোবর ১৬তা হাওবম মরক থিঙেল ঙাঙোম লৈকায়দা পোকখি। হৌরক্লিবা অমদি হৌজিক হৌজিকমক মণিপুরী কলচরগী মায়কৈদা চঙশিঞ্জরিবা খূদিংমক্কী তান্নফমনি, হংফমনি। ওজা অসিগী ঠিএটরগী মায়কৈদা কুপ্না য়েংলগা ঐখোয়না উবা ফংলিবা তোপ তোপ্পা মশক অমা হায়বা তারবদি- ওজা অসি অনৌবা এক্টর, দিরেক্টর, রাইটর অমদি মণিপুরী কলচরবু পামজনা চঙজরক্লিবা পুম্নমকশিংবু মায়কৈ চুম্না লমজিংবীবা হৈবা অসিনি। ওজা অসিনা মণিপুরী ঠিএটরগী লমদতা নত্তনা মণিপুরী কলচরগা মরী লৈনবা পর্ফোর্মিং আর্টস অয়াম্বদা লমজিংখিদবা লৈতে। মহাক্কী মখুৎতগী মতিক চারবা এক্টর কয়া অমা পুথোকখ্রে। মশাগী অহল ওইরবা শোনজিল্লক্লবা মতম অদু ফাওবদা ঠিএটরগী লম অসিদা খুবৈ অমা হন্দোক্তনা থৱায় য়াওনা হোৎনজখি। মহাক মশানা ইরোয় লোইনা শীনখিবা ফেষ্টিভেল অসি মহাক্না প্রসিদেন্ট ওইনা মতম শাংনা থৌ পুদুনা লাক্লবা ঠিএটর সেন্টরনা শীনবা চহীগী ওইনা পুথোকপা ঠিএটর ফেষ্টিভেল অদুনি। ফেষ্টিভেল অদু য়াম্না চাউনা মায় পাক্না শীন্দুনা কুম অমা পুথদনা মহাক্না লেপ্তুনা হোৎনদুনা লাকখি। মসিগী মথক্তা মহাক্কী গ্রুপ অমা ওইনা লৈরিবা ঠিএটর মিররনা শীন্দুনা হৌখিবা চহী লোইশিল্লমদাই নবেম্বর ১৪দগী ১৭ ফাওবা চথখিবা "কলচরেল ফোর সিভিলাইজেসন" হায়বা থীমগী মখাদা মরিরক শুবা রাজ-রিশি ভগ্যচন্দ্র ড্রামা ফেষ্টিভেল ২০২১-২২ হায়বা অমা ঠিএটর গ্রুপ মঙানা শরুক য়াদুনা জৱাহরলাল নেহরু মণিপুর দান্স একাদেমীগী ওদিটোরিয়মদা পাঙথোকখিবা অদুনি।

ওজা ৱারেপ্পা নব, মহৈরোয় অমা ওইরিঙৈদগী হৌনা মীয়ামগী থবক তৌবসু য়াম্না পামজরকখি। অদুনা মহাক্না মণিপুর কোলেজদা তম্লিঙৈগী মতম (১৯৬৭)দা ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়নগী জেনরেল সেক্রেটরি ওইরকখি। ঠিএটর মিরর ড্রামাটিক সোসাইটি হায়বা অসি লৈখিদ্রবা হৈস্নাম কহ্নাইলালগী মখাদা লিংখৎখিবনি। ওজা অদুনা মহাক মশাগী ওইবা কলাক্ষেত্র লিংখৎলবা মতুংদা লৈখিদ্রবা পুখ্রম্বম শামুনা অমুক দিরেক্টরগী চার্জ পুদুনা মমিং লৈরবা লীলা কয়া অমা পুথোক্তুনা মণিপুরদা এক্সপেরিমেন্টেল প্লেগী য়ক লাওবা মতম অমা হায়বদু শেমগৎলকখি। ওজা শামুনা অমুক লৈখিদ্রবা মতুংদগীদি ওজা ৱারেপ্পা নবনা মখা তানা দিরেক্টরগী চার্জ পুদুনা লাকখিবনি। ওজাগী মতমদসু অমুক মমিং লৈরবা প্লে কয়া অমা মথং মথং পুথোকপা হৌরকখি। ওজা নবগী ঠিএটরগী মায়ওন অসি ৱেষ্টর্ন ঠিএটররোমদগী লৈথোরক্লগা লমদম অসিগী লৈহাওগা চুশিন্নবা ট্রেদিসনল আর্ট ফোর্ম কয়াগা শাগোন্নবা লীলা কয়াদা চাংয়েং ওইনা পুথোক্তুনা মহাক্কী ঠিএটরগী মশক অমা শেমগৎপা হৌরকখি। ওজাগী লীলাশিং মীয়াম্না য়াম্না পাম্নখি। য়েংবীনবা মীগী মশীং ৱাৎখিদে। অখন্নবা থৌরম কয়াদসু ওজাগী প্লেশিং উৎখি। লীলা খরগী মমিং পল্লবদা- চিঠি পুবা উচেক, শ্রী তোম্বা অমসুং কৈ, মথংগী য়েংন্নিংথা, শ্রী লৈখিদ্রবা তোম্বা, তোম্বগী য়ুম, নচিংবা কয়া। হায়রিবা প্লে অসি খক্তা নত্তনা ওজাগী ঠিএটরগী মায়ওন অসি মীয়াম্বু পূক্লিং পেলহনবগা লোয়ননা হায়নিংলিবা ৱাফম কয়া অদু মরিক চুম্না মীয়ামগী পূক্লিং ৱাখলদা পুদুনা চৎখিনবা য়াম্না কন্না হোৎনখি। মসিমক মহাক্কী অরোইবা মতম ফাওবদা লেঙদনা লৈখি।

ওজা ৱারেপ্পা নবনা মণিপুরী ঠিএটরগী লমদা কখোকপগা লোয়ননা চোকথবা নাইদনা হোৎনরক্লিবা কয়া অসিবু শক খঙবীদুনা ষ্টেট অসিগী মনুংদতা নত্তনা মপানগী লূপ কয়ানা ঈকায় খুম্ননিংঙাই ওইরবা এৱার্দ কয়া অমদি মিংথোল কয়া পীদুনা ঈকায় খুম্নখ্রে। খরদং পল্লবদা- ষ্টেট কলা একাদেমী এৱার্দ, ১৯৯০, অল্লাহবাদ নট্য সঙ্ঘনা ২০০০দা পীবা নট্যশ্রী এৱার্দ, ঠিএটর মুভমেন্ট কট্টক, ওরিষানা পীবা নত্য ভুষন (২০০৯), ডা. অম্বেদকর পেল্লোশিপ এৱার্দ, ২০০৯, মণিপুরী সাহিত্য পরিষদনা পীবা নট্য ভুষন (২০১০), ঠিএটর সেন্টর মণিপুরনা লাইফ টাইম এচিভমেন্ট এৱার্দ, ২০১১, উৎকল যুব সংস্কৃতি সঙ্ঘনা পীবা নট্য রত্ন এৱার্দ (২০১৩), কলাক্ষেত্র গুরু সনমন (২০১৩), এন ঈ এফ এ, নেপালনা পীবা ইন্টরনেসনল লাইফটাইম এচিভমেন্ট এৱার্দ (২০১৩), কাঠমন্দু, নেপালনা পীবা ইন্দো হেপা ফ্রেন্দশিপ এসোসিএসন (২০১৪), পুনেনা পীবা ইন্দিয়া এক্সসিলেন্স ইন্টরনেসনল এৱার্দ (২০১৫), কলোম্বোনা পীবা ইন্দো শ্রীলঙ্কা ফ্রেন্দশিপ ইন্টরনেসনল এৱার্দ (২০১৫), পান্থোইবী নট্য মন্দিরনা লান্থোকপা মিংলেন খোঙা (২০১৫), রূপমহল ঠিএটরনা পীবা নিলমনি নীংশিং মনা (২০১৫), লাংমৈদোং ড্রামাটিক য়ুনিয়ননা



পীবা জি তোম্বী শর্ম্মা মেমোরিএল এৱার্দ (২০১৭), ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা লান্থোকপা পদ্মশ্রী এৱার্দ (২০১৭) হায়রিবশিং অসি পনবা য়াই। ওজা নব মহাক্কী ঠিএটরগী লম অসিদা লমদম অসিদতা নত্তনা মপানগী লম য়াওনা পাঙথোকপা ঠিএটর ফেষ্টিভেল কয়াদা মনা মথুম কয়া অমসু ফংবা ঙমখ্রে মদুদি- বেষ্ট এক্টর, ১৯৭৯, ১৯৮০, ১৯৮৬। বেষ্ট দিরেক্টর ১৯৮১, ১৯৮২, ১৯৮৫, ১৯৮৭, ১৯৮৮, ১৯৮৯, ১৯৯১, ১৯৯৫, ১৯৯৭ অমদি ১৯৯৯। শুমাং লীলাগী ওইনা ফংখিবা বেষ্ট দিরেক্টর- ১৯৮৫, ১৯৮৮, ১৯৮৯, ১৯৯০, ১৯৯১, ১৯৯৩, ২০০৭, ২০০৯ হায়রিবা খরা অসি নীংশিংবা য়াই।

ওজা ৱারেপ্পা নব শুমাং লীলাদা ৱারেংজরিবা ঐহাক্না ইহান হানবা ওইনা শুমাং লীলাদা ১৯৮১দা পুশিঞ্জরকখিবনি। ইহান হান্না শুমাং লীলাদা দিরেক্সন পীখিবা ওজাগী প্লেদি- শজিবুগী নোংলৈ হায়বা প্লে অসিনি। প্লে অসি ১৯৮১গী লোইশিল্লমদাইদা রিলিজ তৌরগা ১৯৮২দগী হৌনা য়াম্না মায় পাক্না মণিপুরগী মফম কয়াদতা নত্তনা কছার অমদি হোজাইনচিংবা মফম কয়াদা শান্নখি। লীলা অদু চহী ফানা য়াম্না শাংনা শান্নখি। অসুম্না মমিং লৈরবা প্লে কয়া অমা ওজাগা লোয়ননা লীলা তৌমিন্নরকখি। করিগীদমক ওজানা শুমাং লীলাদা হেন্না পাম্লিবনো হায়বগী মতাংদা ঐহাক্না শুপ্লতগী থা অহুমগী মমাঙদা উনজখিবা ইন্টর্ভিয়ু অমদা অসুম্না হায়- "ঐগীসি সেল্ফ রিএলাইজেসন হায়বদুনি। অরানবা ঐগী খোঙচৎ অদু লাল্লে খঙবদগী ইশানা ঐগী লম্বী থিরকপনি। ইশাগী ইখুন্নাই নুংশিরকপা, দ স্পিরিট ওফ নেসনেলিজম হায়বা অসি থম্মোয়দা য়াকাইরকপনি। ঐখোয়গী ফজখ্রবা ওরেল ট্রেদিসন অমদি রিচ্যুএলিষ্টিককা শাগোন্নরকপা লমদমসিগী লৈহাওগা চান্নবা পর্ফোর্মেন্স অসোমদা চঙদদুনা মপানগী লাপখ্রবা সমুদ্র ঈৱাংমাগী মীগী কনভেন্সন অদুদা ঠিএটর তৌরুবদু ইশানা ঈকায়জরকই। ঐখোয়গী কন্সেপ্ট ওফওরিয়েন্টেল ঠিএটর অসোমদা চঙবনা ফগনি হায়না ৱারেপ লৌরকপনি। মীগী অৱাইবা পোৎতা ঐগীনি হায়না খনবসি ঐ কয়া পাম্লক্রে, ঐ গ্লামোরদা তাওবা পামদ্রে, হৌজিক্তি ঐ মীকপ থোক্লে। হ্বাই আই এম ইন ঠিএটর হায়বা ৱাহং অমা হংলকপদা, ঐগী ইথৌদাং করিনো হায়বা ৱাহং অসিসু য়াওরকখি। মীওইবা খুন্নাইগী য়াইফনবা, খুন্নাইবু খঞ্জনবগীদমক ঠিএটর তৌবনি হায়বা ৱাফম অসি পাউখুম পীরবা মতুংদা ঐনা ঐগী অশেংবা লম্বী অমা থিরকপনি" হায়বসি ওজানা থম্বীরমখি। ওজাসি য়াম্না সেরিয়স ওইবা থিঙ্কর অমনি। টোপিক অমা নৈনরকপা মতমদা মদু সেরিয়স ওইবা মীৎয়েংদা মমিৎ উইশিন্দুনা ঙাইহাক খল্লগা হায়দোরকপা য়াম্না মরু চঙই। ৱা অমা হায়বদা নাকল অমত্তগী য়েংলগা ৱা ঙাংদে, মায়কৈ শুনা য়েংলগা সোল্যুসন ওইবা য়াবা ৱা ওইনা হায়দোরকই। অমরোমদা অসুক সেরিয়স ওইখ্রবা ওজা অসি মীবু নোকহনবসু ইরায় লায়না ঙম্মী। ফাগীগী ৱাহৈ য়াম্না চেল্লি। তৌবতবু ওজাসি কোমেদিয়ন অমামক্তি নত্তে। অদুবু কোমেদিয়ন অমদগী হেন্না ফাগী শুংবা হৈ। ওজানা ঙাংথোরকপদা লৈখিবা রাশি অদু ঐনা মতৌ ফনা য়াম্না তম্নবা হোৎনখি। অদুবু ঙসিফাওবদা ঙমদ্রি। ইরায় লায়বা ৱাসু খঙলু লুহনবা ঙম্মী। অরুবা ৱাসু ইরায় লায়হনবা ঙম্মী। ওন্থোকপা মতিক ময়াই অমনি ওজাদা চেনখিবসি। ওজাগা লোয়ন-তীন্নহৌবশিংনা ঐনা পঞ্জরিবা অসি শোয়দনা খঙবীগনি। মহাক্কী পুংতোপ তোপ্পা মখলগী মীশক অমনি। ওজাগী মফমদা চহীগী খেন্নবা লৈতে, খূদিংমক মরুপনি, খূদিংমক মচিন-মনাওনি। মীবু নুংশিনা অমদি তাশিন খোমজিন্না লোয়নবা ঙম্বা অতাঙবা মীশক অমা ওইখি হায়বসিমদি ইচুমদা চুম্লবা ৱাফম ওইরগনি। ওজা ৱারেপ্পা নবনা পুরক্লিবা মণিপুরী কলচরগী লুম্লবা পোৎলুম অসিমদি কনাগুম্বা অমনা মকোক্তা থোঙ্গৎতুনা পুবদা পাক ঙল্লোইদবা থৌ অমনি হায়না থমজগে। অহল ওইরবা ওজা অসিনা মহাক্কী চহী য়ামশিল্লক্লবা শোন্থরক্লবা মতমদা লমদম অসিগী মীয়াম্বু মীৎশিং নাশিংনবা অমদি মণিপুরগী তুংলমচৎতা কলচরগী অফবা মায়কৈ অমা য়েংনবা য়াম্না হায়রম্মী। কনাগুম্বশিংনা ওজাগী ৱাফমশিং অদু কয়া য়াম্না মমল লৈনা লৌবীরমগদগে হায়বা অদুমদি হায়জবা ঙমদে। মরমদি লমদম অসিগী মীওইশিং অসিদি হায়রগদি ৱারৌনি। মীনা ঙাংবা শকপশিং অসি কয়া থৌ ৱা শাগন্দে। কয়া লুনা লৌগন্দে, ঐ ঐনা তৌরিসিনা হেন্না ফৈ হায়না খঙনবা মীগী মশীংনা হেন্না য়াম্মী। ওজাদি ঠিএটর খক্তবু চেকশিন্না লুনা য়েংখিবা মীশক নত্তে, শুমাং লীলা, নট সঙ্কীর্ত্তন, নেরেটিভস আর্টস ফোর্মশিং, মার্সিএল আর্টস কয়াবুসু মথম্মোয় শেংনা তশেংনা নুংশিজখিবা মীশক অমা ওইখি। মহাক্না হিংলিঙৈগী মতমদা আর্ট ফোর্ম কয়াশিং অসিবু য়োকখৎনবা অঙম্বা থাক্তা থৱায় য়াওনা চোকথবা লৈতনা হোৎনবীখ। তাঙলবা ওজা অসি নুংশিরবা তাইবংপান অসিদগী ঐখোয় পুম্নবু থাদোক্তুনা চৎখ্রে। ওজাগী থৱায় মীরেলনা মতম চুপ্পগী ওইনা তাইবং শেন্বীবা মপু মহাক্কী নাক্তা ঈংনা চিক্লা লৈবা ওইরসনু।

## ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : ডো. ৱাংখেম জীবোল সিংহ
এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর (বাইওষ্টেট) জেনিমস
চীংমৈরোং, ইম্ফাল।

তাং ১৫।০১।২০২৩ ইং, নোংমাইজিং;
ৱাকচিংগী ২৩ নি পানবা।

মেষ: পাঙনিংবা থবক্তা নচাক নরল থাদবদা চিংনগনু, মরুপ মপাংশিংনা লোয়নবা পাম্বা অমদি নীংবা থুংজবা নুমিৎনি। মীতোপ লোয়নবদি হৈয়ু।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশিবনা চাল্লি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

বৃষ: লাইবক ফবনা নীংবা মপা চাগনি, নক্লবশিংগী মতেং লৌবা য়াগনি, শেন্দোং লৈগনি। নম্ফুদদি য়ারোই, তীন্নবা মরক্তা য়েংথিবসু য়াওই।
লৈশা পাখংশিংগী- নীংবা খিত্তংদি থুংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ/চিনি অঙাঙবা

মিথুন: হান্নগুম পংচৎ চৎকনু-ঙাংবা-শকপা হৈয়ু। নশাদা য়াওরিবা লৌশিংদু নীংথিনা শীজিন্নবা ঙল্লবা/ঈংথবা হৈরবদি ৱানিংঙাই লৈরোই।
লৈশা পাখংশিংগী- খোঙফম অমা-অনি হন্দোকউ।
থৌনি পোৎলম : লৈ/চিনি অঙাঙবা

কর্কট: নথক থোংবনা ঙসিসু চানবীগনি-মখোয়না পামদবা থবক পাঙগনু। খন্থদবনা য়েৎনবা অমদি লান্না লৌবনা মাঙজগদবা লৈ-পঙথগনু।
লৈশা পাখংশিংগী- চরাংনগনু-শাফগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

সিংহ: মী লোয়নবা হৈবা ৱাৎলি-ঈরাংনা মাঙ থাগনু। নীংহন্নদ্রদি মীনা কিনগনি, য়েক্লবদি হন্থরক্কনি। হকচাং নুংঙাইগনি, ৱাখল লৈগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- লাইবক ফৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা

কন্যা: থবক পাঙবগী নুংঙাইজবা, অরং-অরাক ফংবগুম ঈকাই খুম্নবসু ফংগনি, নক্লবগী মতেংনা নথক থোংববু খুদুম চনগনি। হোয়াদি ফগনু।
লৈশা পাখংশিংগী- নীংবা থুংবা ৱাগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা

তুলা: মীচঙ ৱাৎতবা, অনৌবা আশা লাকপা, অঙম্বনা চানবীবা, শেল-থুমগী লমদা মায় পাকপা লৈ। কল্লকপদি য়াম্মী-য়েৎনবনা লন মাঙগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নীংবা মপা চাই।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

বৃশ্চিক: অফবা খোঙশাল লৈ, পাউ নুংঙাইবা তাগনি, মীয়াম্না থোইনা চানবীগনি, অফবা লৌশিং তানশিনবা য়াগনি। হেন্না ওইজবদি থিগনু।
লৈশা পাখংশিংগী- মরী হান্নগুম ফৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা

ধনু: লাইবক ফৈ, ৱাখল থোক্কনি, শেল থুম কান্নগনি, থৌনা ফুদোকপা কান্নগনি, নচা-ননাই ফংজৈ। খন্থহৌদ্রদি নরলদা তায়নবদি লৈগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নীংবা থুংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাঙবা

মকর: থবক পাঙগনি, নীংজবসু থুংগনি, মীনা ইনশিনবা ঙাইরসু মতম মাঙহন্দনা থৌ পাংহৌরো-খুদোংচাবা লৈরবনি। মরুপ লোয়নবদি লুরি।
লৈশা পাখংশিংগী- আশা চাওবা কান্নগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাঙবা

কুম্ভ: লৌশিং মরাং কাই। কনাগী ৱা অমুক ঙায়দনা লৈজবা লৌশিং ফুদোক্লা অফবা থবক পাঙবদা শোয়দনা মায় পাক্কনি। পাউসু নুংঙাইবা তাই।
লৈশা পাখংশিংগী- পুক্লিং তপথৌ।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা

মিন: হুরানবনা নচাক নরলদা মীতাই- চেকশিল্লু, অরোনবা ঙাংথোক্কনু। মীয়াম্না লোয়নবা পাম্বা, কান্নবসু পীবীবা, নীংহন্নদবনা কান্নজবদি লৈ।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশিবা ফংই-নুংঙাই।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজবা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।

# ম্যুনিসিপাল কাউন্সীল অহুম্মক্তা বি জে পিগী মীরেপশিং থাদোক্কদৌরি



ইম্ফাল, জন্যুৱারী ১৪ (ঐচ এন এস): চহী অসিগী লাক্লিবা মার্চ অহানবা চয়োলদা পাঙথোক্কদৌরিবা অর্বান লোকেল বোদিশিং, ইম্ফাল ম্যুনিসিপাল কোর্পোরেসন য়াওনা ম্যুনিসিপাল কাউন্সীল ২৭কী মীরেপ মীখল অসিদা ককচিং দিষ্ট্রিক্টতা লৈরিবা ম্যুনিসিপাল কাউন্সীল অহুম, ককচিং, ককচিং খুনৌ অমদি শুগনুদা ৱার্দ খূদিংমক্তা বি জে পিগী মীরেপশিং থাদোক্তুনা বি জে পিগী কাউন্সীল শেম্নবা হোৎনরগনি হায়না বি জে পি ককচিং দিষ্ট্রিক্টকী প্রসিদেন্ট ইন-চার্জ কে ঐচ ইন্দুবালানা ফোঙদোকখ্রে।

ককচিংদা লৈবা বি জে পি ককচিং মন্দলগী ওফিসতা ঙসি পাঙথোকখিবা পাউগী মীফম অমদা কে ঐচ ইন্দুবালানা মখা তানা হায়খি, ঙসি-ঙসিমক সেন্টর অমদি ষ্টেট অসিদা বি জে পিগী লৈঙাক ঙাক্তা লৈরিবনি। বি জে পিগী লৈঙাক অসিনা মীয়ামগী য়াইফনবগীদমক স্কিম কয়া পায়খৎলি। পায়খৎলিবা স্কিমশিং অসি ঐখোয়গী মীয়ামদা মপুং ফানা ফংহন্নবা বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী প্রসিদেন্ট এ শর্দাগী মীৎয়েং মখাদা হোৎনজদুনা বি জে পিগী মীরেপশিংবু মায় পাকহন্নবা হোৎনবদা ঐখোয় পুন্না হোৎনমিন্নসি হায়খি।

ম্যুনিসিপাল কাউন্সীল অসিদা অপূনবা ৱার্দ ১২ লৈরিবা অসিদা ৱার্দ খূদিংমক্তা বি জে পিগী মীরেপশিং থাদোক্লবা থৌরাং পুম্বা শেম-শাবা লোইরে। মীরেপ খূদিংমক মায় পাকহন্দুনা ককচিং ম্যুনিসিপাল অসি বি জে পিনা পায়ননবা ককচিংগী ৱার্দ-ৱার্দতা লৈরিবা বি জে পিগী থৌমী খূদিংমক্না অমত্তা ওইনা হোৎনমিন্নদুনা বি জে পিগী মীরেপশিংবু মায় পাকহনমিন্নসি। মীখল অসিদা বি জে পিবু নুংশিবীদুনা বি জে পিদা মীরেপ ওইনিংবশিংনসু মশা-মশাগী বাইও দেটাসু ককচিং মন্দলদা পীশিনবীরকপা য়ারগনি হায়খি।

পাউগী মীফম অদুদা শরুক য়াখিবা বি জে পিগী স্পেসল ইনভাইটি নাওরেম নবচন্দ্রনা হায়খি, ককচিং ম্যুনিসিপাল কাউন্সীলগী মীরেপ মীখল অসিদা বি জে পিগী মীরেপ শোয়দনা মায় পাকহন্নবা হোৎনবগা লোয়ননা ককচিং এ সী অসি মণিপুরগী মনুংদা খ্বাইদগী শোঙ্খরবা এ সী অমা ওইরিবসি মেনখৎপা ঙম্নবা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি অমদি চীফ মিনিষ্টর এন বিরেনগী লমজিং মখাদা মীয়ামদা পীরিবা কান্নরবা স্কিম কয়া অসি ফংহন্নবা পুন্না হোৎনমিন্নরসি হায়খি।


ঙসি পাঙথোকখিবা পাউগী মীফম অদুদা শরুক য়াখিবা বি জে পি ককচিং মন্দলগী প্রসিদেন্ট য়েংখোম অচৌনা হায়খি, বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী প্রসিদেন্ট এ শর্দাগী অকনবা মীৎয়েং অমদি পাউতাক্কী মতুংইন্না ককচিং ঙসি পাঙথোকখিবা পাউগী মীফম অদুদা বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী সেক্রটরি এস প্রেমিলা, বি জে পি ককচিং মন্দলগী থৌবুরোয়শিং অমদি ককচিং ম্যুনিসিপাল কাউন্সীলগী মীরেপ ওইগদবা মীওই কয়াসু শরুক য়াখি।

# রাম লৈখিদবগী অৱাবা ফোঙদোকখ্রে

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ১৪ (ঐচ এন এস): লাইয়িংথৌ সনামহী থৌগল লূপ, ৱাঙ্গৈাইগী মতম শাংনা কখোকপা অমগা লোয়ননা থবক তৌবীরম্বা থৌদাম রাম মৈতৈ জন্যুৱারী ৯দা লৈখিদবদা ৱাঙ্গৈাইদা লৈবা সনামহী থৌগল লূপকী মেম্বরশিংগী ওইবা লোংজম রতনগী য়ুমদা মিনিট অমা তুমীন্না অৱাবা ফোঙদোকখ্রে। ইমুং-মনুংগী অৱাবদসু শরুক য়াজরি হায়না লাইয়িংথৌ সনামহী থৌগল লূপ ৱাঙ্গৈাইগী জেনরেল সেক্রেটরি লোংজম অবোথেনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।



Title : A Beautifyl Girl
By : Deepsica Pangambam
Class : V   Roll No. : 7
School : The Eden Public School



Title : Mother and Daughter
By : Henthoisana Pukhrambam
Class : V   Sec : B   Roll No. : 7
School : Mother's Pride Academy, Bishnupur



Title :
By : Lanchenba
Class : V   Sec : C   Roll No. : 23
School : S.T. Goarge High School



Title : Broly
By : Liklam Soibam
Class : II   Roll : 1
School : PKC, Langmeidong



Title : Naruto
By : Roodchan
Class : V
School : Alpha and Omega



Title : Cup
By : Sagarika Rajkumari
Class : KG   Sec : B   Roll No. : 21
School : Don Bosco Hr. Sec. School



Title :
By : Sarangthem Ayingbi Chanu
Class : IV   Sec : Lotus   Roll : 28
School : SL Arena of Learning



Title : To Storeys Kacha House
By : Takhellambam Ranjita
Class : Nursery   Roll No. : 2
School : SL Arena of Learning



Title :
By : Usham Nandita
Class : IV   Sec : Lotus   Roll No. 32
School : SL Arena of Learning




Title : Anime Girl
By : Pouhoilu Golmei
Class : V   Sec : D   Roll No. : 37
School : Standard Robarth Hr. Sec. School




Title : Todoroki
By : L. Lamnganba
Class : IV   Sec : F   Roll No. : 4
School : Maheilen Education Centre, Haotal



Title : A Scenery
By : Lanchenbi Th.
Class : V   Sec : E   Roll No. : 18
School : Standard Robarth Hr. Sec. School



Title : Kakashi
By : Samuel Kashulg
Class : II   Sec : B   Roll No. : 40
School : Maheilen Education Centre, Haotal



Title : Indian Flag
By : Tolstoy
Class : III   Sec : Lotus   Roll No. 1
School : Maheilen Education Centre, Haotal



Title : Chota Bheem
By : Yuvraj Irom
Class: II   Sec : B   Roll No. : 44
School : Standard Robarth Hr. Sec. School



Title : Sangai
By : Khundongbam Likchabi
Class : III
School : Thambalkhong Junior School

অঙাংশিংগী অয়েকপা লাই হাপ্পীনিংবা মীওইশিংনা অঙাংগী মিং, পাসপোর্ট ফোটো, স্কুল মমিং, ক্লাস, সেক্সন অমদি রোল নম্বরনচিংবগা লোয়ননা অয়েকপা লাই অদু নীংথিনা ফোটো কাপ্লগা হুইয়েন লানপাউগী ৱাট্সএপ নম্বর ৯৭৭৪৮০৩১৪৫ দা থাবীরকপা য়াগনি।